তরেৎশুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা এস ৱাই এস এ তমেংলোংবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ০১ (ঐচএন এস)ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চখরিবা ৭শুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) ইম্ফাল ৱেষ্টনা এস ৱাই এস এ তমেংলোংবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ১২না শরুক য়াদুনা চখরিবা তরেৎশুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা এস ৱাই এস এ তমেংলোং অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) ইম্ফাল ৱেষ্ট শান্নখি।

মেচ অদু এস ৱাই এস এ তমেংলোংনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা এম পি এস সী ইম্ফাল ৱেষ্টনা বোল কাওবা হৌখি। অহানবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীনা ফাইনেল চঙনবগীদমক কন্না শান্নখি। অদুবু এম পি এস সীগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ হৌরকপদগী এস ৱাই এস এগী মায়োক্তা এটেক মথং মথং চখরকখি।

এম পি এস সীগী এটেক অমা মেচকী ১২শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ২৪ মাংখোলেন্না পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্তুনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা নত্তুনা এম পি এস সীগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা মেচ অদু এম পি এসনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। এস ৱাই এস এগী মায়কৈদগীসু এম পি এস সীনা অহানবা হাফকী অঙনবা মতমদা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু অকনবা মওংদা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। অদুবু এম পি এস সীগী মায়কৈদগী মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস ৱাই এস এগী শান্নরোয়শিংনা এম পি এস সীগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এম পি এস সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অহানবা হাফতা এম পি এস সীনা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লাক্লবসু অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা এস ৱাই এস এগী শান্নরোয়শিংনা এটেক মথং মথং চখরক্তুনা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। এম পি এস সীগী মায়কৈদগীসু মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক অঙংবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা য়াঙনা শান্নবা হৌরকখি।

মেচকী ৫৪শুবা মিনটতা এস ৱাই এস এগী শান্নরোয় অমনা দি বোক্স মনুংদা ফাওল তারুবদগী এম পি এস সীগী পেনালটি কাওবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। পেনালটি অদু এম পি এস সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ দয়ানা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্তুনা মেচ অদু এম পি এস সীনা অমুক পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মেচকী ৬৩শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৮ খেমনা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনশিনখি। এস ৱাই এস এগী মায়কৈদগী এম পি এস সীগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জলশিং অদু অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। অদুগা এম পি এস সীনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখি। হয়েং অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা টি আর য়ু জি পি য়ু, দি এস এ বিষ্ণুপুর অমদি এলেভেন ষ্টার এস সীগা শান্নগনি।

# মৈরাবনা বাচৱিটচপু মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ০১ (ঐচএন এস)ঃ বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসননা শীন্দুনা ফেব্রুৱারী ২৭তগী হৌদুনা চখরকখিবা য়োনেক্স দটচ জুনিয়র ইন্টরনেসনলদা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৯ টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী মাইস্নাম মৈরাবনা ৱর্ল্ড জুনিয়রগী ৯শুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবা ঈ বাচৱিটচপু মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াগী চহী ১৯ মখাগী জুনিয়র নুপামচা অমদি নুপীমচা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা দটচতা পাঙথোক্লিবা চহী ১৯ মখাগী য়োনেক্স দটচ ইন্টরনেসনলদা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৯ জুনিয়র বোইজ টিমবু লুচিংলিবা মণিপুরগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা ঙসি ৱর্ল্ডগী সীদ নম্বর ৯দা লৈরিবা ঈ বাচৱিটচকা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ ওইনা শান্নখি। মেচ অদুদা মায়কৈ অনীদগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙনবগীদমক অহানবা সেট হৌরকপদগী হৌনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইরকপদা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা জুনিয়র ৱর্ল্ড রেঙ্কিং ৯দা লৈরিবা ঈ বাচৱিটচপু ২১-১৩, ২১-১৬তা মায়থীবা পীরম্লগা সিঙ্গলস ইভেন্টতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

সভেন্টিন রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# প্রী ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী মেচতা য়ঙ য়ুনাইটেদ ককচীংনা কে ৱাই দল্লিয়ু সী ৱাবগাই কদাজিৎপু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ০১ (ঐচএন এস)ঃ দি য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন কৈরক মনিং লৈকায়না শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা চখরিবা সভেন্টিন রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী মেচতা য়ঙ য়ুনাইটেদ ককচীংনা কে ৱাই দল্লিয়ু সী ৱাবগাই কদাজিৎপু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ৩০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ১৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চখরিবা ১৭শুবা রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী ১২শুবা মেচকী অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই দি এ তেন্থা অমসুং রোয়ল এফ সী ৱাবগাই শান্নগদবা মেচ অদু রোয়ল এফ সী ৱাবগাই লাক্তবদগী মেচ অদু শান্নখিদ্রে। প্রী ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা য়ঙ য়ুনাইটেদ ককচীং অমসুং কে ৱাই দল্লিয়ু এ সী ৱাবগাই কদাজিৎ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা মায় পাক্লবগীদমক অহানবা হাফতগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা অকনবা লম্বা তৌনবগা লোয়ননা তক্লদুনা ফজনা শান্নখি।

মেচকী অঙনবা মতম ১০শুবা মিনটতা য়ঙ য়ুনাইটেদ ককচীংগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১০ এন জোনসন্না মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। এন জোনসন্না চনখিবা পাঞ্জল অদুনা য়ঙ য়ুনাইটেদনা অঙনবা মতমদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীগী মায়কৈদগীসু য়ঙ য়ুনাইটেদনা অঙনবা মতমদা মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা এটেক কয়া চখরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীগী মায়কৈদগী য়ঙ য়ুনাইটেদকী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু য়ঙ য়ুনাইটেদনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা মওংদগী হেন্না য়াঙনা অমদি ফজনা শান্নবা হৌনরকখি। মেচকী ৪১শুবা মিনটতা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২ মেলৈনা য়ঙ য়ুনাইটেদকী পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি।

গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী মেচ অদু মায় পাক্নবগীদমক অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা এটেক কয়া চখরকখি। মেচকী ৪২শুবা মিনটতা য়ঙ য়ুনাইটেদকী জর্সি নম্বর ২২ এন টিকেননা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদু য়ঙ য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল ২-১দা অমুক মাঙজিল থাখি। মেচকী লোইরমদাই মীৎকুপ ৪৯শুবা অমদি ৫০শুবা মিনটতা য়ঙ য়ুনাইটেদকী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ পি অবিনাসনা পাঞ্জল ২ থংনা থংননা চনশিন্দুনা মেচ অদু য়ঙ য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল ৪-১দা লৈরগা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীগী মায়কৈদগী য়ঙ য়ুনাইটেদকী মাঙজিল থারিবা অতোপ্পা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু মায়থীহৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চখরকপা অমদি অরোইবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা হয়েং সলাম এফ সী অমসুং এফ সী ককচীং শান্নগনি হায়রি।

অহানবা বি বি এম মেমোরিএল ট্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ভি এস এ আইনা এফ ভি এফ এবু মায়থীবা পীখ্রে, টি আর ভি এস এ অমদি তবসফা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ০১ (ঐচএন এস)ঃ পৌরাবিগী এস ব্রজবিধু অমদি সেক্তাগী দল্লিয়ু মুহিন্দ্রোবু নীংশিংবা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন (আই দল্লিয়ু দি ভি এফ এ) না শীন্দুনা য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন (য়ু ভি এফ এ) গী মীৎয়েং মখাদা সী দল্লিয়ু সী নুঙ্গোইগী গ্রাউন্দদা চখরিবা অহানবা বি বি এম মেমোরিএল ট্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা ভি এস এ আই থাংমৈবন্দনা এফ ভি এফ এ উয়ুমপোকপু মায়থীবা পীখ্রে। টি আর ভি এস এ মালোম অমদি তবসফা তাওবুংখোক দ্রো চৎখ্রে।

টিম ৮না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চখরিবা অহানবা বি বি এম মেমোরিএল ট্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী টি আর ভি এস এ মালোম অমসুং তবসফা তাওবুংখোক শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা তবসফা অমসুং টি আর ভি এস এ পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি।

তবসফাগী পাঞ্জলশিং অদু এম ইবোমচানা মেচকী ৩৯শুবা অমসুং এস জিবননা মেচকী ৪৪শুবা মিনটতা চনখি। টি আর ভি এস এগী পাঞ্জলশিং অদুনা জাফুদোইনা মেচকী ৪৩শুবা অমসুং টি ঐচ সিটলজিৎনা মেচকী ২৬শুবা মিনটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা টি আর ভি এস এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৪ এল তোম্বীস্না মেচকী ৩৮শুবা মিনটতা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগী-দমক রেফ্রিনা মেচতগী তান্থোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ৪শুবা মেচতা ভি এস এ আইনা এফ ভি এফ এবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯০

১। ঐ কোরিয়া মচানি। জপান্না ঐবু নমদুনা ঐগী ইমিং জপানগী মমিংদা ওন্থোক্লগা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবদা ঐহাক অনীশুবা পোজিসন তাখি। ঐগী ইমীং করি কৌবগে?

২। মহাক মণিপুরগী মন্ত্রি ওইরম্মী। ষ্টেট অসিগী সাইকল লমজেলদা মকোক ওইখি, মহাক লৈখিদ্রে। মহাক্কী মমিং হায়য়ু।

৩। ঐখোয় অনীমক কার এক্সিদেন্টতা মীৎ নাম্মা তাংই। মহাক্তি ৱর্ল্ড কপ অমুক ফাওবদা শরুক য়াখিদে, ওক্সফোর্ড য়ুনিভর্সিটিগী কেপ্তেনদি ওইখি। ঐদি কোলেজ তম্বা ফাওবা ফংলকখিদে। ইংলেন্দনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল লৌখিবা টিম অদুদা ঐসু য়াওখি। মহাক ফুটবোল শান্নরোয় নত্তে। ঐখোয় অনীগী মীং হায়য়ু।

৪। ঐহাক তা লংবদা মালেমগী রেকোর্দতি থুগাইখি। ঐগী রেকোর্দ হৌজিক ফাওবা থুগাইবা ঙমদ্রি। ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদি অমুক্তা ফংলকখিদে। ঐগী ইমীং হায়য়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫ ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৯গী পাউখুম ৩ চুম্না থাবিরকখিবদি

১) *এম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়* (৩)

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ- ৮৯গী ৱিন্নর

*এম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৮৯গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

মার্চ ০৩, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৯গী পাউখুম

১। 'শান্নরোয় অমনা চহী ২২ শুদ্রিবা ফাওবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেটকী অথোই অহেন তান্নবদা শরুক য়াহল্লোইদবনি' ৱাহৈশিং অসি করম্বা শান্নরোয়না হায়খিবনো? :- V. V. S. LAXMAN

২। ঐসু হোকি শান্নে। ঐগী অপোকপসু শান্নে। ঐগী অপোকপদি ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখি। ঐহাক্তি শেঙ্গেংগী মেদল অমখক ফংখি। ঐ কনানো? :- ASHOK KUMAR

৩। মণিপুরগী মুক্না যাত্রা *লৈশং যাত্রা* করম্বা মফমদা পোকখি। মহাক্কী পোকফম লৈকায়গী মমিং পীয়ু। :- HAOBAM LEIKAI

৪। মিষ্টর ৱর্ল্ড টাইটল তরেৎলক লৌখ্রবা অরাম্বম বোবি সিংহ অহানবদা করম্বা মশান্নদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা অথোই অহেন তান্নবদা শরুক য়াখিবগে? :- ATHLETICS (100 MT)

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? :- MORTEN FROST

তরুকশুবা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান স্পোর্টস মীট ২০১৯

# ভেঙথা ভেটরান কাংপোকপী, জে সোংতুন এরিয়া ভেটরান মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ০১ (ঐচএন এস)ঃ কাংপোকপীদা লৈবা এম থোমাস গ্রাউন্দদা তরুকশুবা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান স্পোর্টস মীট (এস ঐচ দি ভি এস এম) ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা ভেঙথা ভেটরান কাংপোকপী, জে সোংতুন এরিয়া ভেটরান মায় পাকখ্রে। অদুগা সপরমৈনা এরিয়া ভেটরান অমদি টুইলোংকুন এরিয়া ভেটরান দ্রো চৎখ্রে।

টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা কাঙলূপ কয়া থোক্লা খাইদোক্তুনা চখরিবা তরুকশুবা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান স্পোর্টস ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী মখা চখরকপা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা সপরমৈনা এরিয়া ভেটরান অমসুং টুইলোংকুন এরিয়া ভেটরান লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী হৌনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। মেচকী ১০শুবা মিনটতা টুইলোংকুন এরিয়া ভেটরানগী শান্নরোয় থাংজিননা পাঞ্জল অমা চনদুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি। মেচকী ২৪শুবা মিনটতা সপরমৈনা এরিয়া ভেটরানগী ষ্ট্রাইকর জাফেদনা টুইলোংকুন এরিয়া ভেটরানগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা টিম অনীনা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। মেচকী ৩৩শুবা মিনটতা সপরমৈনা এরিয়া ভেটরানগী শান্নরোয় জাফেদনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চননিশন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না পাঞ্জল ২-১দা অমুক মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মেচকী লোইরমদাই মীৎকুপ ৪৮শুবা মিনটতা টুইলোংকুন এরিয়া ভেটরানগী শান্নরোয় হেমিননা সপরমৈনা এরিয়া ভেটরানগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ২-২দা লৈনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী মেচ অদু পাঞ্জল ২-২দাদ্রা চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ভেঙথা ভেটরান কাংপোকপীনা সদর হিলস গুরখা ভেটরানবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা জে সোংতুন এরিয়া ভেটরাননা আই বি এরিয়া ভেটরানবু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখি।

# কে ঐচ নুপীমচা নীংশিং কেশ প্রাইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ০১ (ঐচএন এস)ঃ তেরা অচৌবা জিম এসোসিএসন (টি এ জি এ) য়ুম্নাম হুইদ্রোম থিয়াম লৈশাংখোংনা শীন্দুনা মার্চ ১৭তগী ২১ ফাওবা তেরা মখোং লম্পাক্তা অহানবা লেট কে ঐচ নুপীমচা দেবী মেমোরিএল কেশ প্রাইজ মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানীংবা ক্লব অমদি এসোসিএসনশিংনা এসোসিএসন অসিদগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি অমদি ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা মার্চ ১০ ওইগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৫০, রন্নর্স-অপতা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৩০, লুজর সেমীদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২, লুজর ক্বার্টরদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২, বেষ্ট স্পাইকর, বেষ্ট সেট্টর, বেষ্ট ব্লোকর অমদি বেষ্ট দিফেন্দরদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১/১ পীগনি হায়রি।



HL-B/5178/6/02-10/4(alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com